# ইন্টর স্কুল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট য়ু-১৭ গার্লসতা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং য়ু-১৫ বোইজদা ইষ্টনা ৱিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী চহী ১৫ মখা নুপামচা গী টিম ৬ না গ্রুপ-২, চহী ১৭ মখা নুপামচাগী টিম ৪ না গ্রুপ- ২ অমসুং চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী টিম ৫ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৯ অন্দর ১৭ গার্লসকীনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোঙবা অমসুং অন্দর -১৫ বোইজকীনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জয় হিন্দ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল মন্ত্রিপূখ্রিনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল মন্ত্রিপূখ্রি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শাগোলতোঙবনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইম্ফাল ইষ্টপু গোল ১০-১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

মায় পাক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শাগোলতোঙবগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফততা গোল ৪ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৬ চনখি। মায়থিরবা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল মন্ত্রিপূখ্রিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফতা চনখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংচুপ ইম্ফাল শাগোলতোঙবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ টি অইংবীনা মিনট ১, ২, ১৫, ৩৩, ৪৪ অমসুং ৫২ দা গোল ৬, জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ তনুনা মিনট ৪২ অমসুং ৪৫ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৮ এন বিনানা মিনট ২৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৯ এম প্রিয়ানা মিনট ৩৮ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল মন্ত্রিপূখ্রিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ ঐচ বিদিয়ালক্ষ্মিনা মিনট ৫১ চৎপদা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা চহী ১৫ মখা নুপামচাগী ৬ শুবা অরোয়বা মেটচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী জয় হিন্দ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল মন্ত্রিপূখ্রি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট নোংচুপ ইম্ফাল শাগোলতোঙবনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হৌরকপগী অঙনবা মিনটশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নদুনা ইষ্টকী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদুগী মহৈ ফঙদুনা মিনট ৯ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ৫ আই রোহিটিনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ৪ কান্নরগা ১৩ চৎপদা আই রোহিটিনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইম্ফাল ইষ্টনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হাল্ফ মমাঙদা হনে দাক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকখিবদগী হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২১ দা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই বিদিয়ানন্দনা গোল ১ হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৱেষ্টনদা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ইম্ফাল ইষ্টনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা ৱেষ্টপু চপ চন্না শীং ন্নরক্তুনা মিনট ২৯ চৎপদা ইষ্টকী জর্সি নম্বর ১৩ কে ঐচ সোমিকানা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-২ দা মান্না লৈখ্রবা মতুংগী মিনট ৬ কান্নরগা ৩৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ ৱাই বিদিয়ানন্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩-২ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসগী দিপুটি ডাইরেক্টর (পি) এ জুগোল সিংহ, য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসগী দিপুটি ডাইরেক্টর ( এস) লুনখোশৈ হাওকিপ অমদি য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর (সি) টি থৌবা সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস দব্লিউ সি ৱাইখোং অমদি এল ৱাই এ ৱাঙু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৫ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চত্থরিবা ১৭ শুবা কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) ৱাইখোঙ অমদি লাইফম য়ুঠ ক্লব ( এল ৱাই এ) ৱাঙু মায় পাকখ্রে।

চত্থরিবা লীগ অসিগী ১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা সন রাইজ দিভলপমেন্ট ক্লব ( এস আর দি সি) ককচিং অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) ৱাইখোঙনা শান্নখিবা মেটচতা এস দব্লিউ সিদা এস আর দি সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ১৪ চৎপদা সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) ৱাইখোঙগী জর্সি নম্বর ৯ তেজকুমারনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৭ কান্নরগা ২১ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ ভুমেননা চন্দুনা মেটচকী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৩২ দা সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) ৱাইখোঙগী জর্সি নম্বর ৯ তেজকুমারনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গেগাল অদু চন্দুনা ৱাইখোংগী মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা সন রাইজ দিভলপমেন্ট ক্লব ( এস আর দি সি) ককচিংগী জর্সি নম্বর ২ ভি খৃষ্টোফর, জর্সি নম্বর ৫ অরবিন অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব ( এস দব্লিউ সি) ৱাইখোঙগী জর্সি নম্বর ৮ প্রিয়োদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এল দিরিক মরিং, চিমচিম, বিদিয়াবটি দেবী অমদি অঞ্জুল মরিংনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিয়েসন ( এ আই এফ এ) ইরেংবন্দ অমদি লাইফম য়ুঠ এসোসিয়েসন ( এল ৱাই এ) ৱাঙুগা শান্নখিবা মেটচতা এল ৱাই এনা এ আই এফ এবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লাইফম য়ুঠ এসোসিয়েসন ( এল ৱাই এ) ৱাঙুগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ২১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ রোমেকনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা লাইফম য়ুঠ এসোসিয়েসন ( এল ৱাই এ) ৱাঙুগী অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ১১ দয়ানন্দনা মিনট ৩৯ অমসুং ৬০ চৎপদা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ রোমেকনা মিনট ৬৫ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ অরুনকুমার, এম বিদিয়সাগর, সি ঐচ শ্যামসন অমসুং এম রিগাননা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৭ দা ওল ককচিং খূনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ কে এস এ) ককচিং খূনৌ অমদি জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা চত্থরিবা ১৭ শুবা কিশোকুমার নীংশিং ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# সি সি মিট কাঙ টুর্নামেন্টদা খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা টিম ৮ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ৬৪ শুবা সার চড়চান্দ সিংহ ( কে সি এস আই- সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী গ্রুপ-এ পুল ৱানগী মেটচ ওইনা ঙসি ইরৈমা কাঙখূৎ পিশুম অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎনা শান্নখিবা মেটচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎনা ইরৈমা কাঙখুৎ পিশুমবু পাঞ্জল ২৭-১০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা ইরৈমা কাঙখূৎ পিশুমগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফদা পাঞ্জল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাঙখূৎগী শান্নরোইশিং অদুদি এল দিনমনি , টি ঐচ থোইবা, এম মাইঙো, এম শরত, টি ঐচ সোভা, টি ঐচ য়ুগিন্দ্রো , এল সুরজিৎ, টি ঐচ সান্তিকুমার অমদি এন জি লৈশাঙনি।

মায়থিরবা ইরৈমা কাঙখূৎ পিশুমগী শান্নরোইশিং অদুদি- এল ইনাও, ও বিরু, ও বিজয়, এস সমানন্দ, ও কুরতা, ঐচ চাউবী, ঐচ খোঙনাংথবা অমদি ও তেম্বানি।

# সেনিয়র ৱুমেন'স নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৩০ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা অরুণাচল প্রদেশকী পাসিগাথদা চত্থরিবা ২৫ শুবা সেনিয়ার ৱুমেন্স নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯-২০ গী ঙসি শন্নখিবা মেটচতা মণিপুর মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ-জিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি ত্রিপুরা অমদি মণিপুরনা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা ত্রিপুরাবু গোল ৬-০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা মণিপপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ বলানা মিনট ৪৪ অমসুং ৫৯ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৮ দয়ানা মিনট ১০, জর্সি নম্বর ৩ লিন্থোইঙানবীনা মিনট ৪৭, জর্সি নম্বর ৬ প্রমোদিনি মিনট ৬৮ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ প্রমেশ্বরিনা মিনট ৯০ চৎপদা চনখি।

২৫ শুবা সেনিয়ার ৱুমেন্স নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা গ্রুপ-জিদা রজাষ্টান, ত্রিপুরা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগা পূন্না তামিন্নরি। মণিপুরগী অহুমশুবা মেটচ লীগ মেটচ থা অসিগী ১৮ দা রজাষ্টানগা শান্নগনি। অহানবা মেটচতা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু ৪-০দা মায়থিবা পীখি।

টিম অসি এস অমুতোম্বী সিংহনা মেনেজর অমসুং ও বেমবেম দেবীনা কোচ ওইনা লুচিংল্লি।

# দি ৱাই এস ও থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা কারটে অন্দর ১৭ বোইজ এন্দ গার্লসগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

দি এস সি ৱাংজিংদা থা অসিগী ২২ গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা স্কুল তল্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মহৈরোইশিং অসিনা ওফিস অসিদগী ওফিস মতমদা ফোম লৌরবা য়াগনি।

ফোম থাজিনবগী অরোয়বা মতম থা অসিগী ১৬ দনি হায়না দি ৱাই এস ও থৌবালনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট সব-জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ পাব্লিক হোল নিয়র ওইনাম বজারদা থা অসিগী ৮ দগী টিম ১২ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরকপা ১৮ শুবা সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুনামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলগা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯ শুবা অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুল অমদি কে এল ৱাই জি সি কামোংনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টি আর ৱাই ভি সিনা কে এল ৱাই জি সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মেটচ অসিদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা পোইন্ট ২৫-২৭, ২৫-২২, ২৫-২২, ২৫-২৩ স্কোর তৌখি।

সেমি ফাইনেলদা কে এল ৱাই জি সি কামোংনা কে ৱাই এল এস সি কাচি খুলবু সেট ৩-২ দা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংবু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওইনাম ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ পাব্লিক হোল নিয়র ওইনাম বজারদা টিম ৫ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১০ দগী চত্থরকপা ৮ শুবা সেনিয়র ৱুমেন ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ৱিন্নর টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা ওইখ্রে।

এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমদি টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা টি আর ৱাই ভি সিনা এন ৱাই ভি এবু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মেটচ অসিদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা পোইন্ট ২৫-২২, ২৭-২৫, ২৫-২০ স্কোর তৌখি।

সেমি ফাইনেলদা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা এম পি এস সি (এ) বু সেট ৩-১ দা অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা টি আর ৱাই ভি সি উখ্রুলনা কে ৱাই এল এস সিবু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল সোক্কর ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লব ( এল কে সি সি) না শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১৮ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল জিলেজ ওপন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লংথবাল খৌপুমগী প্লে গ্রাউন্দা শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা লংথবাল খৌপুম ৱার্দ নম্বর ৮ কী মেম্বর গাঙমৈ কাদুমমৈ কবুইনা চীফ গেষ্ট, লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লবগী প্রসিদেন্ট গোলমৈ নামথানচুংনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট, লংথবাল চিঙথক ৱার্দ নম্বর ৭ গী মেম্বর মহোলসিংহ, নরানকোঞ্জিন মখা লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১০ গী মেম্বর সোরাম সোমোরজিৎ, তখেলম্বম এন পলাক ৱার্দ নম্বর ৬ কী মেম্বর এল সোমেন্দ্রো অমদি হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১ গী মেম্বর কে ঐচ মেরিনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি এল কে সি সি (এ) লংথবাল খৌপুম অমদি শগোলবন্দ শয়াংনা শান্নখিবা মেটচতা শগোলবন্দ শয়াংনা এল কে সি সি (এ) লংথবাল খৌপুমবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৯ চৎপদা শগোলবন্দ শয়াংগী জর্সি নম্বর ৮ ৱাই রোকেটনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২৯ দা শগোলবন্দ শয়াংগী জর্সি নম্বর ১১ এস দিনাচন্দ্রনা এল কে সি সি (এ) গী মায়কৈদা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফতা এল কে সি সি (এ) লংথবাল খৌপুমনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

হয়েং য়ুনাইটেদ এফ সি মাইরেনখোং অমদি শঞ্জেবম এফ সিনা নুংথিল পুং ২ তাবদা অহানবা গ্রাউন্দা ওইনা শান্নগনি অদুগা খুন্দ্রাকপম অমদি লংথবাল চিঙ্খা ফুটবোল ক্লবনা নুংথিল পপুং ৩ তাবদা হয়েংগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ওইনা শান্নগনি।

# গম্ভীনি নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্টতা শিংজমৈ কেন্দ্র সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৬ তগী টিম ১৪ না গ্রুপ- ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং ইনিংথৌ শঙলেনদা ৫ শুবা ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎ অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎনা শান্নখিবা মরিশুবা অরোয়বা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎপু পাঞ্জল ২৩-২০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা ক্কাটর ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা মান্না শান্নরক্তুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চীঙশিনখি।

অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎনা পাঞ্জল ১১ অদুগা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখূৎনা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌদুনা য়াইস্কুলনা পাঞ্জল ১১-১০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখূৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎপু শীংন্নরক্তুনা শান্নরকপদগী শিংজমৈনা অনীশুবা হাল্ফতা অহেনবা পাঞ্জল ১৩ অদুগা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা পাঞ্জল ৯ খক হাপচিনবা ঙমদুনা মেটচ অসি শিংজমৈনা পাঞ্জল ২৩-২০ দা মায় পাকখি।

মায় পাক্লবা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি- আর কে গোজেন্দ্রো, টি ঐচ লালহারি, এল সুরোজকুমার, এল শ্যামসুন্দর, আর কে ইঙোচা, টি ঐচ কুমার, দিলিপ শর্ম্মা, এল ইনাওচা অমদি ৱাই রতননি।

মায়থিরবা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎকী শান্নরোইশিং অদুদি- আর কে জিলাসনা সিংহ, এস ঐচ সনাতোন, এল ওমনাঠ, ৱাই সমানন্দা সিংহ , টি ঐচ লুখোয় সিংহ, জি পূণচন্দ্র শর্ম্মা, এম নবাকুমার সিংহ, টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ, আর কে সনাজাউবা সিংহ অমদি এল ব্রজামনি শর্ম্মানি।

# এস য়াইসা সিংহনা সেনিয়র মেন'সগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসন ( আই ই দি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী অকাম্পাৎতা লৈবা জয় কেরোম হাওসতা চত্থরকপা অহানবা এজ গ্রুপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী সেনিয়র মেন'সগী ৱিন্নর এস য়াইসা সিংহনা ওইখ্রে।

সব-জুনিয়র বোইজতা প্লেয়র ১০, গালর্সতা ১৩ , জুনিয়র বোইজতা ১৫, গালর্সতা ৮, সেনিয়র মেন'সতা ২৫, ৱুমেন'সতা ১০ অমসুং ভেটরান ৬ না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেনিয়র মেন'সগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসননা এম মোইরাংসনা অমদি এল তাইবং ঙানবনা তাখিবনি।

সেনিয়র ৱুমেনতনা এ বিদিয়াচনুনা অহানবা, এস বিনিতানা অনীশুবা, কে কিরনবলানা অহুমশুবা অমদি এন রোসিয়ানা মরিশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকীনা নিংথৌজম মন্দাকিনিনা অহানবা, মোইরাংথেম শন্ধিয়ারানিনা অনীশুবা, দাইনা নিংতৌজমনা অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজগীদা কে ঐচ কিরননা অহানবা, দব্লিউ মারকোনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ অখালনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইগীদা তাইবং ঙানবা মৈনমনা অহানবা, নিংথৌজম লময়ানবনা অনীশুবা তাখি। ভেটরানগীদা সেরাম য়াইসানা অহানবা, কে কুমারনা অনীশুবা অমদি এন সনামতুমনা অহুমশুবা তাখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com